

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, WEDNESDAY, MARCH 07, 2018 PAGE 7

*কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদবা এসিয়ান কপ ফুটবোলদা ক্বালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী টিম্না খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স উৎকনি হায়না অচেৎপা থাজবা থম্লিবা ইন্দিয়াগী গোলকিপর গুরপ্রিত সিংহ সান্ধু*

*পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা পাঙথোকপা ২২শুবা ফেদরেসন কপ সেনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা নুপাগী পোল ভোল্ট ইভেন্টতা মশাগী রেকোর্দ অদু থুগাইদুনা মিটর ৫.১৫ চোংলগা গোল্ড মেডল ফংখ্রবা সুব্রমনি সিব*

## মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অমসুং ক্রিপ্সা য়াওনা মার্চ ২৫ দগী অনীশুবা হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৬ঃ*

মেঘালয়াগী কোনুং শিল্লংদা থা অসিগী ২৫ দগী অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ দা মমাঙগী অহৌবা সিজনদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা মণিপুরগী ক্লব ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অমদি ষ্টেট অসিমক্তগী ক্রিপ্সা ফুটবোল ক্লবসু শরুক য়ারগনি।

অনীরকশুবা সিজন অসিদা পুন্না টিম ৭ না শরুক য়াগদৌরি। টিম ৭ কী মনুংদা রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা টিমশিংনা অমনা অমগা থেংনগনি। অদুগা খ্বাইদগী মকোক থোংবা টিম ৪ না সেমি ফাইনেল থেংনরগা এপ্রিল ১২ দা শান্নগদৌরিবনি। লোয়ননা এপ্রিল ১৫ দা ফাইনেল মেটচ শান্নগনি।

নীংশিংবা য়াবদি মমাঙগী অহৌবা সিজনদা টিম ১৩ না শরুক য়াদুনা য়াম্না মায় পাক্না পাঙথোকখিবা হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ অদুগী মতুং তারকপা থা অসিগী ২৫ দগী শিল্লংদা হৌগদৌরিবা হিরো ইন্দিয়ান ৱুমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৭ না লম্বা তৌনগদৌরি।

মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অমসুং ক্রিপ্সা, মহারাষ্ট্রগী রস সোক্কর, তামিল নাদুগী সেথু ফুটবোল ক্লব, হন্দক অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা কেরলাগী গোকুলাম কেরলা এফসি, উরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্ট ক্লব অমসুং পোন্দিচেরিগী ইন্দিরা গান্ধী একাদেমী ফোর স্পোর্টস এন্দ ইদুকেসননি।

মমাঙগী হৌদোকপা সিজনদা শান্নরম্লগা অনীশুবা সিজনদা শরুক য়ারোইদৌরিবা ক্লবশিং অদুদি অরুনাচল প্রদেশকী কেপিটেল কমপ্লেক্স স্পোর্টিং ক্লব, গুজরাটকী বরোদা ফুটবোল একাদেমী, জম্মু অমসুং কাশমীরগী ষ্টেট স্পোর্টস কাউন্সিল, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চান্দনে স্পোর্টিং ক্লব, পঞ্জাবগী য়ুনাইটেদ ৱারিয়র্স স্পোর্টিং ক্লব, দিল্লিগী হান্স ৱুমেন্স ফুটবোল ক্লব অমসুং সাই ৱুমেন ফুটবোল টিম্নি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা মমাঙগী চেম্পিয়ন মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নদা পোন্দিচেরিগী ইন্দিরা গান্ধী ফোর স্পোর্টস এন্দ ইদুকেসনগা শান্নগনি। হায়রিবা নুমিৎ অদুমক্তদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারিবা কেরলাগী গোকুলাম কেরলা এফসিগা উরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্ট ক্লবকা থেংনগনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা নুপীগী ফুটবোল ফগৎহন্নবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মাঙজিল থাবা থৌদাং ওইরি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অহানবা ইদিসনদা চাউনা মায় পাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিংগী মঙলান ওইদুনা লাক্লিবা মকোক থোংবা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট কয়া শরুক য়াদুনা মায় পাকপা ঙম্নবগী চপ চাবা ফম্পাক অমা ৱুমেন্স ফুটবোল লীগ অসিনা পীবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

## সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী মনু ভাকর অমসুং ওম প্রকাস মিথরবালনা মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিমগী গোল্ড ফংখ্রে

*গ্বাদালাজারা, মার্চ ০৬ঃ*

মেক্সিকোদা লৈবা গ্বাদালজরাদা পাঙথোকপা আই এস এস এফ (ইন্টর্নেসনেল সুট্টিং স্পোর্টস ফেদরেসন) গী মখাদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী মনু ভাকর অমসুং ওম প্রকাস মিথরবালনা মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংখ্রে।

নীংশিংবা য়াই মিক্স টিমগী গোল্ড অদু থারগা ক্লাস এলভেন তম্বদা ঙাইরিবী মনু ভাকরগী অনীরকশুবা সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিগী গোল্ড মেডলনি। মহাক্কী অহানবা গোল্ড মেডল অদু ঙরাং পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০ গী ইন্দিভিজুয়েল এয়র পিষ্টোল দনি।



*আইএসএসএফ ৱার্ল্ড কপকী মিক্স টিমগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী ভাকর অমসুং প্রকাস (ময়ায়)*

মনু ভাকরনা সুট্টিংগী সেনিয়র ৱার্ল্ড কপ্তা গোল্ড মেডল ফংবা সুট্টরগী মনুংদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী নহা ওইবা সুট্টর অমা ওইবগী তাঞ্জা অমা লৈরি। অদুবু এনআরএআই (নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া) না হায়রিবা রেকোর্দ অসি কনফার্ম তৌবা ঙমদনা লৈরি।

পনবা য়াবা অমদা মেক্সিকোগী গ্বাদালাজারাদা পাঙথোক্লিবা আইএসএসএফ ৱার্ল্ড কপ সুট্টিং দা ইন্দিয়াগী টিম্না গোল্ড মেডল অনী ফংখিবা অদু মনু ভাকরগী ইন্দিভিজুয়েল গোল্ড অমা অদুগা মহাক য়াওনা মিক্স টিমগী গোল্ড অমনা ওইরিবনি।

ইন্দিয়াগী মেডল টেল্লিদা ভাকরগী গোল্ড ২ অদুগা সাহাঝর রিজবিগী গোল্ড ১ অদুগা অতোপ্পা সুট্টর ৪ গী ব্রোঞ্জ মেডল ৪ থারগা মেক্সিকোগী সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ ফংলগা পুন্না মেডল ৭ ফংদুনা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙম্লি।

মনু ভাকর অমসুং মহাক্কী টিমমেট ওম প্রকাস মিথরবালনা মিটর ১০ গী মিক্স টিম এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৭৭০ ফংলগা জর্মনিগী মতে-মনাও খৃষ্টিয়ান অমসুং সান্দ্রা রাইটসকী পোইন্ট ৭৭৭ গী মতুংদা অনীশুবা পোজিসন ওইনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌখিবনি।

ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী ভাকর অমসুং প্রকাসনা পোইন্ট ৪৭৬.১ ফংলগা গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখিবনি। অদুগা জর্মনিগী পেয়র অদুনা য়াম্না নক্নবা স্কোরদা ৪৭৫.২ ফংলগা সিলভর মেডল অদু ফংখি।

কানাদাগী পেয়র সেলিন গোবরভিল অমসুং ফ্লোরিয়ান ফোকেটনা মিক্স টিমগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

## মেটচ ৫ গী হোক্কি টেষ্ট সেরিজদা সাউথ কোরিয়াবু ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্না অনীরকশুবা মেটচ অদুসু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইবা ঙমখ্রে

*ইঞ্চিওন, মার্চ ৬ঃ*

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমগা মেটচ ৫ গী হোক্কি সেরিজ শান্নবগী মনুং চন্না ঙসি ইঞ্চিওন সিটিদা লৈবা জিন্চুন নেসনেল এঠলেটিক্স সেন্টরদা অনীশুবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৩-২ দা থোইদুনা মেটচ ২ থংন-থংননা মায় পাকপা ঙম্লি।

মেটচ অদু হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা টিম অনীমক অহানবা পাঞ্জল চন্নবা খুদোংচাবা লৌনবা হৌরকখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পুশিনখিবা এটেক অমদা পুনম রানিনা অহানবা ক্বার্টর অদুগী ৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা সাউথ কোরিয়াবু মখোয়না হেন্দুনা চৎখি।

ক্বার্টর অদুদা সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগীসু এটেক চথখিদবা নত্তে। টিম অদুনা পেনাল্টি কোর্নর অনী ফংখি। ১০শুবা মিনটতা টিম অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইক্কেলাইজর অদু ওইখি।

অহানবা ক্বার্টর অদু লোইশিল্লকপদা য়ুম্বু সাউথ কোরিয়ানা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা চৎলম্বা য়াবগী খুদোংচাবা ফংখিবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা সাউথ কোরিয়াগী এটেকশিং অদুবু নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা মিনট ১৫ গী অহানবা ক্বার্টর অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপদা সাউথ কোরিয়ানা এটেক চথবগী চাং হেনখি। অহানবা ক্বার্টরগুম্না মখোয়না পেনাল্টি কোর্নর অনী থংন-থংননা ফংখিবা অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমখি।



*ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রানি (ওইদগী অনীশুবা) না পাঞ্জল চল্লবা মতুং টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

মরুওইনা নহা ওইরিবী গোলকিপর স্বাতিনা পাঞ্জল শুংশোয় শোয়দনা ওইরম্লগদবা তাঞ্জাশিং ঙাকথোক্তুনা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল মাঙজিল থাহনখিদবনি।

অনীশুবা ক্বার্টর অদু লোইগদবা মিনট ৩ দা ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রানিনা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা সাউথ কোরিয়াবু ২-১ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদসু সাউথ কোরিয়াগী তাঞ্জা অদুমক ফংখি। টিম অদুগী শান্নরোই ঝুনজিওন সিওনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা অমুক পুরকপা ঙমখি।

ইকুই কুইদনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পুশিনখিবা এটেক অমা য়াম্না হৈনা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংহনবা ঙমখি। খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী গুরজিত কোরনা ৩২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা সাউথ কোরিয়াবু মেটচ অদুদা অহুম্লকশুবা ওইনা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী হনবা লৈখিদে। ৩৪শুবা মিনটতা মখোয়না পুশিনখিবা এটেক অমা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুনা নিয়ম লান্না বোল থিংনবা হোৎনরুবগীদমক রেফরিনা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা সাউথ কোরিয়াদা পীখি।

পেনাল্টি ষ্ট্রোক অদু ইন্দিয়াগী কিপর স্বাতিনা নীংথিনা কনবা ঙমখিবদগী সাউথ কোরিয়াগী ইক্কেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অদু মাঙজখিবনি। য়ুম্বু লৈবাক অদুনা মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়ানা ৩-২ দা থোইখি। সেরিজগী অহুমশুবা মেটচ শগোলশেল নুমিৎতা শান্নরগনি।

## ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ক্রাইষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে, লা লীগাদা সেল্টা ভিগো মায় পাকখ্রে

*লন্দন । মাদ্রিদ, মার্চ ৬ঃ*

য়ুরোপ্তা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ক্রাইষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে। স্পেনগী লা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা সেল্টা ভিগোনা লাস পলমাসপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী টেবলগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং ক্রাইষ্টেল পেলেসনা শান্নখিবা ২৯শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা ক্রাইষ্টেল পেলেসকী শান্নরোই এন্দ্রোস টাউনসেন্দনা চন্দুনা ১-০ দা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা ক্রাইষ্টেল পেলেসকী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা পেত্রিক ভান আনহোল্টনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অনী শোথরবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা ক্রাইষ্টেল পেলেসকী মায়োক্তা বোল পুশিন্দুনা এটেক মথং-মথং চথবা হৌরকখি। শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী



*মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোই লুকাকুনা ক্রাইষ্টেল পেলেসকী মায়োক্তা পাঞ্জল চনবগী সোট কাউশিনখিবা মতাং*

শান্নরোই খৃস স্মেল্লিংনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি।

মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবা রোমেলু লুকাকুনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ২-২ দা মান্নদুনা লৈখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোই নেমাঞ্জা মেত্রিক্না পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২৯শুবা লীগ মেটচ অদুদা মখোয়না ক্রাইষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ২৭শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা সেল্টা ভিগোনা লাস পলমাসপু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা হান্না ১০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৯শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

সেল্টা ভিগো অমসুং লাস পলমাসনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মরম্না অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা লাস পলমাসকী শান্নরোই ইরিক এক্সপোজিটোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা সেল্টা ভিগোবু মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা সেল্টা ভিগোগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই জোনিনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা সেল্টা ভিগোগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই পাব্লো হের্নান্দেজনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা লাস পলমাসপু ২-১ দা মায়থিবা পীখি।


## আইসিসি টেষ্ট রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী ভিরাট কোলি অমসুং চিটেশ্বর পুজারা মখোয়-মখোয়গী পোজিসন লেঙদনা লৈরি, রবিচন্দ্রন আস্বিন হন্থখ্রে

*দুবাই, মার্চ ০৬ঃ*

আইসিসিগী খ্বাইদগী নৌবা টেষ্ট ক্রিকেটকী রেঙ্কিং লাওথোকপদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি অমসুং বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারা মখোয়না মমাঙদা লৈখিবা পোজিসন অদু লেঙদনা লৈরি। অদুবু রবিচন্দ্রন আস্বিনদি মহাক্কী পোজিসন হন্থখ্রে।

বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি অমসুং চিটেশ্বর পুজারা আইসিসিনা মমাঙদা লাওথোকখিবা রেঙ্কিংদা লৈখিবা অনীশুবা অমসুং তরুকশুবা থাক অদুদা অদুমক লেঙদনা অনৌবা লিষ্ট অসিদা লৈরি।

নাকল অমরোমদা বোলরগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী স্পিনর রবিচন্দ্রন আস্বিন হান্না ৫শুবা



পোজিসনদা লৈরম্বদগী থাক অমা হন্থরগা ৬শুবদা লৈরি।

আইসিসিগী টেষ্ট রেঙ্কিংগী খ্বাইদগী নৌবা লিষ্ট অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফাষ্ট বোলর মিটচেল ষ্টার্ক মহাক্কী কেরিয়রদা খ্বাইদগী ফজবা থাক ওইনা ৫শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

মিটচেল ষ্টার্কনা সাউথ অফ্রিকাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী টুরদা প্লেয়র ওফ দি মেটচকী মনা ফংখিবা অদুনা থাক ৱাংখৎলকপনি। মহাক্না অহানবা টেষ্ট মেটচতা সাউথ অফ্রিকাবু রন ১১৮ দা মায়থিবা পীবা অদুনা রন ১০৯ পীরগা ৱিকেট ৯ লৌখিবা অদুগী পার্ফোমেন্সনা ফজরকপনি।

সাউথ অফ্রিকাগী ওইনা বেটসমেন ঐদেন মাক্রামনা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবা অহানবা টেষ্টতা সেঞ্চুরি লৌখিবা পার্ফোমেন্স অদুনা থাক ২৮ হাইগৎলগা মহাক্কীসু কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা বেটসমেনশিংগী ১৯ শুবা থাক্তা লৈরি।

মমাঙদা বেটসমেনশিংগী ওইবা ৱান টেষ্টকী মকোক থোংবা থাক্তা লৈবা ঙমখিবা সাউথ অফ্রিকাগী এবিদি ভিলিয়র্স থাক অমা হাইগৎলগা ১২শুবদা লৈরি। অদুগা টিম অদুমক্কী ক্বিন্টন দি কোক থাক অমা হাইগৎলগা ২২শুবা পোজিসনদা লৈরি।

## অজলান সাহা হোক্কি টুর্নামেন্টকী ৩শুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূত্তা মায়থিহৌরে

*ইপো, মার্চ ০৬ঃ*

মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মালেমগী মকোক থোংবা হোক্কি শান্নবা লৈবাক ৬ না শান্নরিবা অজলান সাহা হোক্কি টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৩শুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম্বু ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়ানা পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। মতম কুইনা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ৩০ লোইশিল্লকদৌরবা শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা নোলসনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই জালিয়ুস্কিনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মিনট ৩ লৈরগা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই বিলনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু ৩-০ দা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা টিম অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা গোবরনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু খূৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা পাঞ্জল ৪-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল মরি শোথরবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা পাঞ্জল হন্দোক্নবা এটেক চথবা হৌরকখি। শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা রমনদিপ সিংহনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা শোথরম্বা পাঞ্জল মরিগী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি।

মিনট অমা লৈরগা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল অমা চনখিবা রমনদিপ সিংহনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূত্তা ২-৪ দা শোথদুনা লৈখ্রবা মতুং মেটচকী লেমহৌবামতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূত্তা পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থিহৌখি।

অজলান সাহা হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইংলেন্দনা আয়রলেন্দবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।